পাকিষ্টান টেররিষ্টশিংদা মতেং পাংবশিংগী মনুংদা হাপখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ (এজেন্সী):

ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) হায়না খঙনবা গ্লোবেল এন্টি মনি লোন্দরিং ওর্গনাইজেসন অমনা পাকিষ্টানবু টেররিষ্টশিংদা মতেং পাংবশিংগী লিষ্টতা য়াওহল্লকখিবদা ইন্দিয়ানা তরাম্না ওকখ্রে।

পাকিষ্টান্না হৌজিক লৈবাক অদুদা লৈরিবা টেররিষ্টশিংদা শেল থাদবা লাকশিনবা ঙমদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা গ্রে লিষ্টতা য়াওহনখিবনি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা পাকিষ্টান্দগী হৌরকপা টেররিষ্ট অদু হকচিন্না লৌবা অমদি থিংননবা থৌশিল পায়কৎলক্কনি হায়বগী থাজবা দিল্লিনা থল্লি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সর্টনেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় রবিসকুমারনা হায়, ফাইনান্স এক্সন টাস্ক ফোর্সনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অদু ইন্দিয়ানা তরাম্না ওক্লি। পাকিষ্টানগী মথক্তা ইন্টরনেসনল কোওপরেসন রিভ্যুগ্রুপনা য়েংশিল্লক্লে। মালেমগী ওইবা ওর্গনাইজেসন অদুনা ইস্লামবাদপু চপ চাবা মতম অমগী মনুংদা য়েংশিন্নবা থৌশিল অমা পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

এফ এ টি এফকী এক্সন প্লান্ট অদু অকক্নবা মতম অমগী মনুংদা চপ চাবা থৌশিল অমগী মখাদা পায়খৎনবা অমসুং মালেমগী ওইবা টেররিজম শনদাকপগী মতাংদা য়েংলক্লিবা মীৎয়েং অদু পাকিষ্টান্না মতম চানা লোইশিনগনি। লোয়নননা মখোয়গী ঙমখৈ মনুংদগী টেররিষ্টশিংনা থবক চথুরকপা খুদিংমক লাকশিনগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়নসু এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পাকিষ্টান্দা টেররিষ্টশিংনা নুংঙাইনা অমদি মখোয়গী লাইরৈবাক অমগুম লৈবা লোয়নননা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ মনুং অদুদগী য়ৈখায় থিনগাইবগী থৌওং কয়া চথুরকপশিংগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা চপ চাবা থবক পায়খৎনবসু ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মদুতা নত্তনা পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা টেররিষ্টশিং চৈরাক পীননবসু তকশিনখ্রে। পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা টেররিষ্টশিংনা কুমজা ২০০৮ দা চথুখিবা মুম্বাই টেরর এটেক য়াওনা মখল মখা কয়াগী টেরর এটেক কয়া ইন্দিয়াদা চথুরি। মালেমগী ওইবা অমদি এফ এ টি এফনা য়েংলক্লিবা মীৎয়েং অদু কোকহন্নবা পাকিষ্টান্না অৱাংবা থাক্কী পোলিটিকেল কম্মিটমেন্ট অমগী মখাদা থবক তৌবা তঙাইফদবা লৈ হায়রি। হাফিজ সয়দ অমদি জমদ উটদৱা, লাস্কর-ঈ তোইবা, জৈস ঈ মহম্মদনচিংবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা পাকিষ্টান্দগী টেরর থৌশিল কয়া চথুরক্লি।

থৌনা লৈরবদি হায়দ্রবাদতা মীখল থেংনসি হায়না ওৱাইসিনা নরেন্দ্র মোদিদা শিংনখ্রে

হায়দ্রবাদ, জুন ৩০ (এজেন্সী):

হায়দ্রবাদকী এম পি অমসুং ওল ইন্দিয়া মজলিস-ঈ-ইটেহাদুল মুস্লিমিন (এ আই এম আই এম) গী লুচিংবা অসাউদ্দিন ওৱাইসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী পার্টি ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) বু ইস্যু কয়া থোকহনবা, মীয়াম্না এটেক চথবা, সর্জিকেল ষ্ট্রাইকনচিংবা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা মরাল শিখ্রে।

এ আই এম আই এমগী লুচিংবা অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিগী লুচিংবা অমিট শাহনা থৌনা লৈরবদি হায়দ্রবাদতা মীখল থেংনসি। ঙল্লবদি সিট অদুদগী মায় পাকচৌ হায়না অকনবা মওংদা শিংনখ্রে। মীপুম খুদিংমক্কা হায়দ্রবাদকী সিট অদু মুনবা পাল্লি। ওল ইন্দিয়া মজলিস-ঈ-ইটেহাদুল মুস্লিমিনগী মখুৎতগী হায়দ্রবাদ মুন্নবা শিংনরকপশিং থেংননবা শেম-শাদুনা লৈ। মদুতা নত্তনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীবুসু হায়দ্রবাদতা মীখল থেংনমিন্নসি হায়না শিংনখ্রে।

হায়দ্রবাদতা কোংগ্রেস খক্তা নত্তনা বি জে পিগসু পুন্না মীখল থেংননবা শিংনরি। মখোয়না কৈদৌনুংদসু এ আই এম আই এমবু মায়থিবা পীবা ঙল্লোই হায়না ঙসি হায়দ্রবাদতা পাঙথোকপা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, এ আই এম আই এমনা হায়দ্রবাদতা পার্টি খুদিংমক্কা শিংননবা শেম-শারি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি নৎত্রগা অমিট শাহনা সিট অদুদা মীখল ওইরকপা পান্মী। মদুতা নত্তনা কোংগ্রেসকসু শিংনরি। করিগুম্বা পার্টি অনী অদুগা লোয়নননা মীখল থেংনরবসু এ আই এম আই এমবু মায়থিবা কৈদৌনুংদসু পীবা ঙল্লোই হায়খি। মোদিগী লৈঙাক অসিনা চথুরিবা থবক থৌওংশিং অসি কা হেন্না এক্সট্রিম ওইবা অমনি। লোয়নননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মেজিক্সিয়ান পি সী সরকারগা চাংদম্নে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টি ভিদা মেজিক শোয়দনা তৌরক্লগনি। মহাক্কী মকোক্তগী থেবা পুথোরকপসু য়াই। অদুগুম্বা মেজিক সো অদু অফবা অমা ওইগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু করেম কথাইনখ্রে হায়রি।

জুন ২৫ দা ব্লেক দেগী থৌরম পাঙথোকপদসু ওৱাইসিনা বি জে পিদা অকনবা মওংদা এটেক চথখিবসু লৈখ্রে। লৈবাক অসিদা ইমার্জেন্সি থমজিনখিবা নুমীৎ জুন ২৫ বু ব্লেক দে হায়না পালন থৌরম পাঙথোক্লরি।

ওৱাইসিনা হায়, মীয়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোকশিং কাউরোইদবনি। মদুগী মনুংদা মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবা, বব্রি মসজিদ থুগায়খিবা, গুজরাত রাইওট অমসুং সিখ রাইওট য়াওরি। মদু ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুং থোকখিবা ঙাক্তনি হায়খি।

পুলৱামাদা টেররিষ্ট অমা হাৎখ্রে, অনী নাম্থোকখ্রে

শ্রীনগর, জুন ৩০ (এজেন্সী):

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্লবদা লাস্কর ঈ তোইবা (এল ঈ টি) গী টেররিষ্ট অমা হাৎখ্রে অদুগা অনীনা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, খুৎ থোক্লবদা হাৎখ্রবা এল ঈ টি টেররিষ্ট অদু মশক মমিং খঙবা ঙল্লে। মীওই অদুদি পুলৱারা দিষ্ট্রিক্টকী চোগুল লমদমদা লৈবা সজাট অহম্মদ শাহনি। মহাক সিক্যুরিটি ফোর্সতা এটেক কয়া চথবা অমসুং মীচমশিংদা মীওৎ-মীনৈ কয়া চথবদা চাউনা চেন্নবা মীওইনি। খুৎ থোক্লখিবা থমুনা খুঙ্গংদগী রাইফল অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু কয়াসু ফাগৎখ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সনা অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থমুনা খুঙ্গং কোয়শিন্দুনা থল্লবা মতুং ওপরেসন চথুখি। ইন্টিলিজেন্সকী পাউ মতুংইন্না খুঙ্গং অদুগী য়ুম অমদা টেররিষ্ট অহুম লৈরে হায়বা পাউ ফংখি। পাউ অদু হেক ফংবগা সিক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা থবক পায়খৎখি।

নাকল অমরোমদা, দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এস পি ভাইদ অমসুং আর্মি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবদদি খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট অহুম হাৎপা ঙমখ্রে হায়খি। অদুম ওইনমক ওপরেসন অদু ঙসি অয়ুক লোইশিল্লবা মতুং থিহুম্বগী থবক চথবদদি টেররিষ্ট অমগী অশিবা হকচাং অমখক্তমক ফংবা ঙমখি হায়রি।

অমরনাথ খোঙচৎ মখা তানা চৎপা হৌখ্রে ঈচাউগী খুদোংথিবনা স্কুলশিং ছুটি লাউথোকখ্রে

শ্রীনগর, জুন ৩০ (এজেন্সী):

জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা ঈচাউগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবনা মরম ওইরগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা কাশ্মির দিভিজনদা লৈবা স্কুলশিং থোঙ লোন্নবা খঙহনখ্রে হায়না শ্রীনগর দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

পহলগাম লম্বী পরিংদা লেন্দস্লাইদ কয়া থোকপনা মরম ওইরগা পন্থদুনা লৈরম্বা অমরনাথ খোঙচৎ অমুক হন্না হঞ্জিনহনখ্রে। নোং অমসুং ঈশিংনুংশিৎকী ফীভম ফত্তবনা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা অমরনাথকী খোঙচৎ সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরকখিবনি। মদুদা নত্তনা বালটাল্লোমদগী চৎকদবা খোঙচৎ অদুসু ঈশিংনুংশিৎকী ফীভম ফত্তবনা লৈরকখিবনি। ঙসি ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম খরা ফগৎলকপনা মরম ওইরগা অমরনাথ খোঙচৎ মখা তানা চথবা য়াহনখ্রে। জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী তম্পাক লম ফাওদুনা চেল্লিবা জেলম তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেনবনা মরম ওইরগা শঙ্গাম অমসুং অনন্তনাথ দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঈচাউ থোকপা য়াই হায়বগী ৱার্নিং তৌখ্রে।

ঙরাং টাওয়ি তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা পন্দুনা লৈখ্রবা মীওই তরুক ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স অমসুং জম্মু দিফেন্স টিমনা কনবা ঙমখ্রে। তুরেল অদুসু খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি। পহলগাম অমসুং বালটাল লম্বীদা চৎকদবা লাই খুরুম্বা মীওইশিং ঈশিংনুংশিৎকী ফীভম ফগৎলকপনা মরম ওইরগা ঙসিদগী খোঙচৎ অদু মখা চথবা হৌখ্রে।

খাথংবা কাশ্মিরগী শরুকশিংদা চেনবা তুরেলশিংগী ঈমায়সু খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা লৈবনা মতম অমদা হেক্তা ঈচাউ থোক্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ১০ ফাওবদা শঙ্গম তুরেলগী ঈশিংগী ঈমায় ফিট ২৬.০৬ য়ৌনা চেনখি। মদু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক অমনি হায়না শ্রীনগরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার সয়দ অবিদ রসিদ সাহনা ফোঙদোরক্লি। জেলম তুরেলগী তোর্ব্বান অমসুং অনেম্বা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিং চেকশিন্না লৈননবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

অৱাং নোংপোক্তা থোকখিবা মদ স্লাইদতা লান্মী মঙা শিখ্রে

গুৱাহাতি, জুন ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মনুং হঞ্জিনবা অৱাং নোংপোক লমদমদা কুমগী নোংনা থোকহল্লকখিবা লৈখোম-লৈনাং চেন্থরকপগী থৌদোক্তা পেরামিলিটরি ফোর্সনা লান্মী মঙা শিখ্রে অদুগা তরুক্লা অশোক-অপন নংখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না কুমগী অকনবা নোংনা মরম ওইরগা চেন্থরকপা লৈখোম লৈনাংনা পেরামিলিটরি ফোর্সকী বস অদু চেন্থখিবনি। বস অদুদা লান্মী ২০ তোংখি। চীংগী অখুবা লম্বীদা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লান্মী ৫ শিখ্রে। মখোয় হৌখিবা ইরাই অমসুং থাংজ নুমীৎকী নুমীদাংদা অরুনাচল প্রদেশকী লৱার সিয়াং দিষ্ট্রিক্টতা ট্রেনিং এক্সর্সাইজ অমা পাঙথোক্লবা চৎখিবনি হায়না পুলিস ওফিসর এস সিংফোলনা ফোঙদোরক্লি।

অশোক-অপন নংখ্রবা লান্মীগী মীওইশিং অদু হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা কনখি। অসামগী কোনুং গুৱাহাতিদগী কিলোমিটর ৬০০ রোম লাপ্পা লৈবা অরুনাচল প্রদেশকা মফম অদুদা লান্মীগী হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা খুদোংথিবা নংলবা লান্মীশিং অদু পুথোরকখি। হৌখিবা নুমীৎ মঙানি অসিদা থোকখিবা লৈখোং লৈনাং চেন্থরকপগী অনীশুবা থৌদোক অদুদা লান্মীশিং চাউনা খুদোংথিবা নংখ্রে। চৎলিবা থা অসিগী ২৪ দা থবক শুবা মীওই মঙা হিংনা ফুমজিনখিবসু লৈখ্রবনি। মখোয় শাগৎলিবা বিল্ডিং অমগী মনুংদা লৈরিঙৈদা বিল্ডিং অদুগী ফক্লাং নীংখায়রকপদগী ফুনজিনখিবনি।

অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিংদা কুমগী অকনবা নোং চুরকপনা মরম ওইরগা ষ্টেট কয়াদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরি। অসাম, ত্রিপুরা, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশনচিংবা মফমশিংদা খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোক্লি। অসাম অমসুং ত্রিপুরা অমদি মণিপুরদা কুমগী নোংনা ঈচাউ থোকহন্দুনা মীওই কয়া অৱাব নংহনখ্রে। অরুনাচল প্রদেশকী মনুং হঞ্জিনবা চীংগী লমদমশিংদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। চীংগী অখুবা লম্বী কয়া মদ স্লাইদনা মরম ওইরগা ফাওনবা য়াখিদ্রে। মদুতা নত্তনা মথৌ তৌবা চৎপা লান্মী মঙা শিখ্রে। অদুগা তরুক্লা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

জালিনোট চাইথোকপা মীওই অনীগী মথক্তা এন আই এনা চার্জসিট ফাইল তৌখ্রে

বিজয়ৱারা, জুন ৩০ (এজেন্সী):

বাংলাদেশতগী পুথোরকপা ইন্দিয়াগী জালিনোটশিং চাইথোকপনি হায়বা মীওই অনীগী মথক্তা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না চার্জসিট ফাইল তৌখ্রে।

এন আই এনা স্পেসল কোর্টতা মহম্মদ মহম্মবুব এলিয়স অঝর বাইগ (২৬) অমসুং সয়দ ইস্রাম (২৭) কৌবা কর্নাটকাদা লৈবা মীওই অনীগী মথক্তা চার্জসিট অদু ফাইল তৌখিবনি। ইন্দিয়ন পেনাল কোর্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা চার্জসিট অদু কোর্টতা লানখৎখিবনি হায়না এন আই এগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জালিনোট থাদোকপগা মরী লৈননা চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা এন আই এনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিগৎপা হৌরকখিবনি। দিরেক্টোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্টলিজেন্স (দি আর আই)না জালিনোট লুপা লাখ ১০.২ ফাগৎখি। লুপা ২০০০ চৎপী শেনয়েক্তা ওইবা জালিনোটশিং অদু চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ৩১ দা ভিশাখপত্নম রেলৱে ষ্টেসন্দগী মীওইশিং অদুগা কোন্নবা ফাগৎখিবনি। মীওইশিং অদু হৌরা-হায়দ্রবাদ ইষ্ট কোষ্ট তোংদুনা চৎলম্বদগী ভিশাখপত্নমদা রেলৱে ষ্টেসন্দা দি আর আই ফাগৎখিবনি।

মখা তানা থি-হুম্বগী থবক চথবদা মীওইশিং অদুনা অতোপ্পা মীওই কয়াগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙবা ঙমখি। লৌতুনবা অমগা লোয়নননা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা জালিনোট শেনয়েকশিং অদু ইন্দিয়াদা চাইথোক্লবা পুরকখিবনি হায়বসু খঙবা ঙল্লে হায়খি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মীওইশিং অদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মালদাদা লৈবা মখোয়গী খুৎপু অদুদা য়াওবা মীওই খরদগী জালিনোটশিং অদু পুরকখিবনি। লোয়নননা জালিনোটশিং অদু কর্নাটকাগী বেঙ্গলুরুদসু থাজিনখিবা লৈখ্রে হায়রি।

এজেন্সী অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, ইস্রাম হায়রিবা মীওই অদু মী ফাদুনা রেন্সম তাবগা মরী লৈননা বেঙ্গলুরু পুলিসনা ফাখিবসু লৈখ্রে। লোয়নননা বেঙ্গলুরু সেন্ট্রেল জেলদসু লৈরম্লবনি হায়রি। মখা তানা থিজিনবদা ফারবা মীওই অনী অদু বেঙ্গলুরু অমসুং মালদাদা লৈবা মীওইশিংগা লোয়নননা জালিনোট কয়া চাইথোকপা মীওইশিংনি হায়রি।

ভিক্টোরিয়া এন্দ আর্ট দেকো হেরিটেজ লিষ্টতা চনখ্রে

মুম্বাই, জুন ৩০ (এজেন্সী):

মুম্বাইগী আর্ট দেকো মালেমগী ওইনা অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা কল্লেক্সন সেন্টর অমনি। আর্ট দেকো অদু ভিক্টোরিয়া গোথিক আর্কিটেকচর অমা ওইরিবা মফম অদুগা লোয়নননা য়ুনেস্কোগী ৱর্ল্ড হেরিটেজ লিষ্টতা চনখ্রে।

বিল্ডিং অদু কুমজা ১৯৩০ অমসুং কুমজা ১৯৫০গী অঙনবা শরুক্তা মুম্বাই সিটিগী খাথংবা শরুক্তা শাগৎলমখিবনি। পাক চাউনা অমসুং লমদম অদুগী চৎনবীগী মরী লৈননা শেমগৎলম্বা ওভেল ওইবা প্লে ফিল্ড অমা য়াওবা ষ্ট্রকচর অদুনা মীওই কয়াদা ক্রিকেট শান্নবগী ইথিল পী। মদুগা থংননা ১৯ শুবা চহীচাদা শাখিবা মুম্বাই হায় কোর্ট অমসুং মুম্বাই য়ুনিভর্সিটিগী বিল্ডিংশিং লৈরি। অতোপ্পা নাকল অমরোমদা, পূক্লিং চিংশিংফম ওইরবা মফম কয়াসু লৈরি। য়ুরোপিয়নশিংনা ইন্দিয়াদা লাকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা ফীভমশিং য়েংলগা মফম অদু শেমগৎখিবনি। ফজরবা ষ্ট্রকচরশিং অদু মাঙখি তাখিদনবগীদমক য়ুনেস্কোগী হেরিটেজ লিষ্টতা য়াওহনখিবনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদি শরুক য়াগদবা জয়পুর রেল্লিগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে



জয়পুর, জুন ৩০ (এজেন্সী):

রাজস্থানগী জয়পুরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী রেল্লি পাঙথোক্লবা অকনবা মওংদা শেম-শাখ্রে।

অখন্নবা রেল্লি অদুগীদমক ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা থৌমীশিংনা অকনবা মওংদা শেম শাবগী থবক চথুরি। দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টরশিংদা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা ফংখ্রবা মীওইশিং জয়পুর রেল্লিদা য়াওননবা পুরক্কদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে। তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টরশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা রেল্লি অদু য়াওননবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। রেল্লি অদু য়াওগদৌরিবা মীওইশিংদা চানবা চীঞ্জাক, লৈফম অমসুং চথোক-চৎশিনগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎনবসু খঙহনখ্রে। দিপার্টমেন্টশিংনা থৌদাং লৌদুনা রেল্লি অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা মীওইশিং পুরক্লবা অমসুং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা খঙহনখ্রে।

লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংখ্রবা মীওইশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা জুলাই ৭ তা জয়পুর রেল্লিদা উননবা অচৌবা থৌরাং অমা পায়খৎলি। থৌশিল অদু মায় পাক্লনবগীদমক মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণমেন্টশিংনা থৌদাং লৌগদবনি হায়রি। বি জে পিগী থৌমীশিংদা রেল্লি অদুগী থৌদাং শিন্নবগী মহুত্তা হন্দক্তি দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংদা শিন্নরি। লৈঙাক্কী খুদোংচাবা ফংখ্রবা মীওইশিং মীফম অদু য়াওননবা, পুরক্লবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অকনবা ৱাফম খঙহনখ্রে।

কন্সত্রক্সন দিপার্টমেন্টনা রেল্লি য়াওবা লাকপা মীওইশিংগী লৈফম, চাফম, ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টনা চানবা চীঞ্জাক অমসুং থক্লবা ঈশিং পীগদবনি হায়রি। মদুদা নত্তনা চীফ মেদিকেল ওফিসরশিংনা মীফম য়াওবা লাকপা মীওইশিংদা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং লাকপা মতমদা য়েংশিনগনি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসনা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা ফংলবা মীওইশিং অদু মফম অমদগী অমদা পুথোক পুশিন তৌবগী থৌদাং লৌগনি হায়রি। মদুদা নত্তনা অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিং মথৌ তৌহন্দুনা রেল্লি অদু অশোয় অঙাম থোক্তনবা য়েংশিনগনি হায়রি।

মন্দসুর গেঙ রেপ : রাহুল গান্ধীনা অৱাবা নংলবশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা তকশিনখ্রে, সী বি আইনা থিগৎহনগদবনি

ইন্দোর, জুন ৩০ (এজেন্সী):

মন্দসুরগী হাফিজ কোলোনিদা লৈবা স্কুল অমদগী নুপীমচা অমা ফাদুনা পুখ্রবা মতুং তমথিবা মওংদা ঈকায় খুম্নবা মাংহনখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু তমথিবা ওৎ-নৈখিবা অদুদা চেন্নবা মীওইশিং অহকপা চৈরাক পীদুনা ভিক্টিম ওইরবশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি। থৌদোক অদুদা অশাওবা ফোঙদোক্লদুনা রাহুল গান্ধীনা হায়, মধ্য প্রদেশকী মন্দসুরদগী পীক্লিবা নুপীমচা অমা ফাদুনা পুরবা মতুং তমথিবা মওংদা ওৎ-নৈখিবা অমসুং অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরিবা অদু হকচিন্না লৌই। পীক্লিবা নুপীমচা অমদা অদুগুম্বা থৌদোকশিং চথুখিবা হায়বদু থম্মোয়দা চৈনা ফাওই। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক পুনশিন্নদুনা অঙাংশিংবু ঙাক শেনগদবনি। লোয়নননা মরাল লৈবশিংবু অথুবা মতমদা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়খি।

কোংগ্রেস পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইরিবা জয়্যোতি রাদিত্য স্কিন্দিয়ানসু চপ মান্নবা মওংদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। লুচিংবা অদুনা হায়, থৌদোক অদু হকচিন্না লৌই। সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না থৌদোক অদু থিগৎহনগদবনি। হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থিগৎলিবা মওং অদু অচুম্বা মায়কৈরোমদা চঙশিন্দ্রি। মরম অদুনা কেস অদু সী বি আইদা শিন্নদুনা থিগৎহনগদবনি। লৈবাক অসিগী ষ্টেট খুদিংমক্তা লৈরিবা নুপীশিং শাফবা ওই হায়না খনবা ঙমদ্রে হায়খি।

চৈরক অসিদা, ইন্দোরদা লৈবা এম ৱাই হোস্পিটালনা থাদোরকপা মেদিকেল বুল্লেটিন অমগী মতুংইন্না অঙাং অদু খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। মহাক্কী ফীভম তপ্না তপ্না ফগৎলক্লে হায়রি। নুপীমচা অদুদা মহি-মনাই ওইবা চীঞ্জাক খক্তমক পীজরি। ডোক্তর মঙানা শাবা টিম অমনা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়রি।

থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়, মরাল লৈবা মীওইশিং নাম্থোকপা ঙল্লোই। বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ফাওবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়না তকশিল্লকপসু লৈরি হায়রি।

TODAY! [illegible] TODAY!

BUMPER HOUSIE

HOUSEFULL – MARUTI SUZUKI BALENO
1st LINE – ₹ 40,000/- Date : 01 July 2018
2nd LINE – ₹ 40,000/- (Sunday)
3rd LINE – ₹ 40,000/- Time: 4 PM Sharp
QUICK FIVE – ₹ 40,000/- Venue : Khurai
& Star of Y.O.S.C.– ₹ 40,000/- Popular High School Ground

Ticket Rate : ₹ 3,000/-

হৌখিবা জুনগী তাং ১৬ তা পাঙথোকচগনি হায়না তৌজরম্বা Y.O.S.C গী Housie Bumper Draw অদু ঙসি জুলাইগী তাং ১, ২০১৮ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎতা শুংশোই শোয়দনা পাঙথোকচরগনি।

Sd/- Y. BIKEN SINGH
Hony. Secretary
Youth Organisation Sporting Club
Khurai Konsam Leikai, Imphal East

HL-P/1748/1

[illegible] ADMISSION OPEN [illegible]

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/3351/3/5-3/6

[illegible]

SMART TUTORIAL CENTRE

SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008

CONGRATULATION

2nd Position Holder
HSLC EXAM(2018)
PATEL LAIRENJAM

23rd Position Holder
HSLC EXAM(2018)
HUIDROM HELEN

ADMISSION OPEN

2nd FOUNDATION COURSE CLASS X (BOSEM)
& CLASS XI & XII SC. (COHSEM/CBSE)
START ON 21st JUNE 2018

SESSION : Morning & Evening FACILITIES:-VAN SERVICE & HOSTEL Contact No. 8730999192

For Detail :Visit Smart Tutorial

HL-P/5098/1-30June(Alt.)